জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপরাদা লৈবা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী ন্যুজ এঙ্কর ওইরম্বী ৱাই সুরমিলানা লৈখিদবদা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী ষ্টাফশিং অমদি কম্মিটি মেম্বরশিংনা মিনট ১ তূমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবা

হৈরোক পার্ট টু কৈথেলদা লৈবা ফাইন সোসাইটি ক্লবনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং নংলবা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং ওইনা য়েন্থোকখিবগী শক্তম

শঞ্জেনবম খুল্লেনগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা বি জে পি লমলাই মন্দলগী চ্যেরমেন খোবান্তাবম ইবোমচানা চান-থক্লবা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

ৱর্ল্ড সোসল ফোরম, মণিপুরগী থৌশীল মখাদা থাবুম অমা চুপ্পা চত্থগদবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ইরাবত ম্যুজিয়ম, শান্তিপুর শঞ্জেনবমদা উপাল থাবগী থৌরম হৌদোক্কুনা উ চারাশিং থাখিবা

তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না চহী ৭ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা সেবা হি সঙ্ঘথনগী থৌরম শগোলবন্দ এ সীগী এক্স এম এল এ ডা. কে ঐচ লোকেনগী মীৎয়েং মখাদা বি জে পি শগোলবন্দ মন্দলনা শীল্লগা মন্দল অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এক্স এম এল এ ডা. কে ঐচ লোকেন, বি জে পি শগোলবন্দ মন্দলগী প্রসিদেন্ট ডা. এস ঐচ রুহিকান্ত শর্ম্মা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর এম অমরজিৎ অমদি মন্দলগী ওফিস বিয়ররশিংনা শরুক য়াখি। কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা শগোলবন্দ এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা চান-থক্লবা, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্কনচিংবা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইখি। বি জে পি শগোলন্দ মন্দলনা লেপ্পা লৈতনা কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা অমদি লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা শগোলবন্দ এ সীগী মীয়ামদা মখা তানা অঙম্বা তেংবাঙ পীননবা মতম পুন্নমক্তা শেম শাদুনা লৈ হায়না বি জে পি শগোলবন্দ মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি ঙাঙোম রনজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

‘কূপ্না য়েংশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) : কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী টাস্ক ফোর্সকী ভলুন্টিয়রশিংনা ৱাবগাই লমখাই কৈথেলদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা নন মণিপুরীশিংনা পায়বা আই এল পি কার্দ ইস্যু তৌবদা প্রিন্ট মিষ্টেক অমদি মতম হেনবা কার্দ পায়দুনা পোৎ চৈ য়োনবা চৎপা থেংনরে। মসিদা অশোয়বা কার্দ পায়রগা মতুংদা চৎতনবা পাউতাক পীরগা হলহনখ্রে। ঙসি ফাওবদা নন মণিপুরী ২৫ চ্যেক তৌখ্রে। মসিদা মতম হেনবা কার্দ পায়বা ৭, প্রিন্ট মিষ্টেক য়াওখি। মরম অসিনা হীরম অসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা কূপ্না য়েংশিনবীয়ু। মরম চন্দ্রবদি মাগী মাগী মরমদা হলহনখিনবা পাউতাক পীবিয়ু হায়না কক্চীং দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সকী কনভিনর এম মনিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এ আরনা কে এন এ (আই) গী কাদর ২ ফারে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) : চুড়াচান্দপুরদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা লৈঙাক্কা সু তৌনদ্রিবা কুকি নেসনল আর্মি (কে এন এ- আই) গী কাদর অমা ঙরাং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফৈইপী খুন্দগী ফারে হায়রি। অকক্ন বা পাউ অমা ফংবদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ফৈইপী খুন্দগী ফারবা কে এন এ-আইগী কাদর অদুগী মমিং মেজাথাং হাওকিপ কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফৈইপী খুলদা লৈবনি। মহাক মী ফাবা অমদি শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

কর্ফিয়ু থুগাইবা ২ ফারে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) : সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কংলাতোংবীদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোনা কর্ফিয়ু থুগাইবা মীওই অনী ফারগা নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনবদা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌখ্রে। থৌদোক অদুবু খুঞ্জাশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কংলাতোংবী মন্দিরদা লৈবা ওফিসতা থোমজিনখ্রে। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.১৫ রোম তাবদা থোকখিবনি। ফারবা মীওই ২ অদু নিখিল এলিয়জ গৌতম (২৯) অমদি সহিন বাসনেট (১৮) কৌই হায়রি।

লায়রবা অমদি অৱা অনা তারবা মীয়ামগী চেঙ মীওই খরনা মরম শুংচা চাদনা হাইহৎখিবদা তূমিন্না লৈরোই : অমুকো

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস): লায়রবা অমদি অৱা অনা তারবা মীয়ামগী চেঙ মীওই খরনা মরম শুংচা চাদনা হাইহৎখিবদা অমুকোনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরোই হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ইন-চার্জ কোইজম সন্তোস মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা কোভিদ-১৯না পীরক্লিবা শাথীরবা চৈথেং অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা ওইহল্লক্লিবা অৱাবা ফীভম অসি চহী ১ হেল্লক্লবনি। অসিগুম্বা মণিপুরগী মীয়াম্না কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং, মরী-মতা কায়নবা, নাবা, য়ূম-লৈকায়দগী চথোকপা য়াদবা, ৱাখল হকচাং ৱাবদা নত্তনা ওইরিবা মওংসিবু করিনো, করম্বা মতমদা অসিগুম্বা ওইহৈদ্রবা ফীভমসিবু ফৰক্কদৌরিবনো হায়দুনা খনবদা ককঙাওনদুনা লৈরিবা তাঙ্কক অসিদা মীওই কয়া অমদি মীয়ামগী অৱাবা অদু করিসু খন্দনা মশাগী ওইজবা থিবদা মী-লাই কিদবা তাঙ্কক্তা লৈবা য়াওরে। মী অমগী অৱাবদু অঙম্বী থাক্তা মতেং পাংনদুনা কোভিদ-১৯ থেংনমিন্নদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু অশিবগী খয়াত্তগী অমদি অনা-অয়েক্তগী কনগদবা মতমসিদা মায়কৈ কয়াদা অৱাৎপা অমদি অশোয়বা লৈরি হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্না খঙমিন্নবগা লোয়ননা মদুগী অৱাৎপশিং অদু মেনখৎপা অমদি অশোয়বা অদু চুমথোকমিন্নবা মথৌ তাই। মসিদা শেন্দোং অমদি মীংচৎ তানবগী ৱাখল্লোন থাদোক্নগদবনি।

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা মখল মখা কয়াগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মণিপুরগী মীয়ামদা লৈঙাক্কী থৌরাং অমগী মখাদা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন যোজনা (পি এম জি কে ৱাই) গী চেঙ পীনবগী থবক তৌরিবা মীওই কয়ানা অৱাবা নংলিবা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চেঙগী চাংদু মীনসু য়ারোইদবা, লাইনসু য়ারোইদবা মওংদা কক্থরগা অকল অরিং শিংদুনা লৈরিবা মীওই কয়া অমা য়াওরি হায়বসি মীওই কয়ানা খঙই। অতৈমতমদা পোলিটিকেল পৱার পায়রিবা মীওই কয়াগী খোঙবু ওইরিবা কন্সটিটুএন্সি কয়াগী এজেন্ট নৎত্রগা চেঙগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা তৌরিবা অশোয়বা অরানবশিংদা মপুং ফানা মায়পুননা য়েংশিন্দ্রবসু হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা ওইহল্লিবা শাথিরবা ফীভম অসিদদি অমুকোনা মীৎয়েং থমদুনা মীয়ামগী থবক পায়খৎহৌদ্রবদি অৱাৎপা অমা অদুম লূপ অসিদা লৈরগনি হায়না খল্লি। মরম অদুনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা হেন্না ৱাহন্নবা শিল্লিবশিংদগী ইরমদমগী মীয়াম কন্নবা হায়বসি অমুকোগী তঙাইফদ্দবা থৌদাং অমা ওইগনি।

মীয়ামদা চেঙ য়েনবা মতমদা চেঙ কিলোগ্রাম কয়া য়েল্লগদি মরম চাই হায়বসি অমুকোনা অমদি লৈকায় লৈকায়গী মীয়াম্না খঙই। অদুবু চেঙ য়েনবগী থবক তৌরিবা মীওই কয়া অদুনা মখোয় মশেল পাউ ফাওনরগা মাগী মাগী অনীংবা অপাম্বা মওংদা য়েনগদবা চেঙগী চাংদু লেপ্পনা লৈকায় কয়াদা হৌজিক চেঙ য়াম্না ৱাৎনা য়েনবগী ৱাথোক তোয়না থোক্লি। মদুদা অরানবা তৌবশিংদু ৱারকপীনবা মী মশীং য়াম্না নেল্লি অমদি চেঙ য়েল্লিবা মীওইশিংদু লৈকায় লৈকায়দুগী মীয়ামগা শকখঙ মায়খঙনবা ওইবা অমদি পোলিটিকেলগী পৱার পায়বশিংগী নক্কবা মীওইশিং ওইবননি। অদুবু লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদদি অৱা অনা তারবশিং মরু ওইনা লায়রবা মীয়ামগী য়েংলগা অমুকোনা অখন্নবা থবক খরা পায়খৎচরক্কনি। মসিদা শক মায় য়েংবগী ৱাফম লৈরোই। মরম অদুনা মীয়ামগী চেঙ ৱাৎনা য়েনবশিংনা নৎত্রগা চেঙদা অরানবা তৌবশিংনা মখোয়না তৌরিবা অশোয়বা অরানবশিং অদুগীদমক মীমাং থোক্তনবা ইশা ইশানা খঙনা থবক তৌবীয়ু। চেঙগী এজেন্ট অমদি অতৈ মরু ওইবা মীওই কয়ানা চেঙ কেজি মশীং শুনা মীয়ামদা য়েনবা ঙমদ্রিবগী পীরিবা মরমশিংদু অমুকোনা কূপ্না ষ্টদি তৌবদা চাদা ১০ ফানা চুম্বা ওইদে। চেঙ য়েল্লিবশিংনা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চেঙদুদগী কা হেন্না ককথরগা পীবনা মীয়াম্না মদুগী মরম হংবদা চেঙ ৱাৎনা য়েনবা এজেন্টশিংনা হায়রপ মান্ননা খুল্লিবা পাউখুমদি হন্দক্তি কার্দ পায়বা পায়দবা লোইনা পীবনি অদুনা চেঙ কেজি শুনা পীদবনি হায়বসিনি। মতাংসিদা অমুকোনা চেঙ য়েনবগী থবক তৌরিবশিংদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি লৈবাক অমদা লৈরিবা মীয়ামদু অয়াম্বনা কার্দ পায়বনি। কার্দ পায়দবা মীগী মশীংদি য়ামদে। অদুবু ফংফম থোকপা মীগী শরুক্তগী ককথহৌরিবা চাংদুদি য়াম্না ৱাংমল্লি হায়বসিনি। চেঙগী এজেন্টশিংনা মীয়ামদা মীনম্বদা খঙলোই হায়বগী ৱাখলদু থাদোকপীয়ু। মদু মতমগা চুনদ্রে। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি কয়াদা মীয়ামদা য়েল্লিবা চেঙগী চাংসি য়াম্না খেন্ননা য়েনবা য়াওরি। শুপ্নতগী চেঙ কেজি ৩/৩খক য়েনবা য়াওবদদি মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্করি। মদুদা চেঙ য়েল্লিবশিংনা মীয়ামগী পেন্দবশিংদু কোক্নবা নীংথিনা প্রমান য়াওনা পীরবদি মীয়ামসু অদুম ৱারৌরোই হায়না খল্লি। য়াম্না মরম চাদবা মওংদা চেঙ ৱাৎনা য়েনবগী থবক্তা লোকল ক্লব খরনা য়াওশিনবগী থবক তৌবীগনু। লোকল ক্লবশিংনা চেঙ লৌবা লাক্লিবশিংবু এস ও পি ঙাকহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবদি কায়দে। লোকল ক্লবশিংনা মাগী মাগী লৈকায়গী অমদি মনাক নকপা মফমশিংগী মীয়ামগীদমক য়েংলগা শিবা চঙবা অনীগী লংদাইদা লেপ্তুনা কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক লৈঙাক্তা মতেং পাংজগে হায়রিবশিং অদুবু তরাম তরাম্না ওক্তুনা হেন্না পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ লাইচৎ মায়থিবা পীনবা উপাল থাবগী থাবুম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): কোভিদ লাইচৎ মায়থিবা পীনবা, অকোয়বগী শক্তম কনবা চঙই হায়না ঙসিদগী ৱর্ল্ড সোসল ফোরম, মণিপুরগী থৌশীল মখাদা থাবুম অমা চুপ্পা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ইরাবত ম্যুজিয়ম, শান্তিপুর শঞ্জেনবমদা উপাল থাবগী থৌরম হৌদোকপদা ফোরম অসিগী চ্যেরমেন সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, মালেমদা অকোয়বগী শক্তম কাইথরকপনা কুমজা ২০৫০ দদি মীওইবনা ওক্সিজেন লৈরগা নাকলদা য়েপ্তুনা শ্বর হোনবদা শীজিন্নবা পুদুনা চৎনরগনি অমদি কোভিদ-১৯দগী হেনবা মহিক কয়া লায়না তিলনা মথং মথং হেনগৎলক্তুনা মীওইবা খুন্নাই হিংবদা ৱারক্কদৌরিবা কয়াসিদগী মীওইবনা শেন্দোংগীদমক্তা ফূটবোল গ্রাওন্দ মুক চাওবা উমং অমমম সেকেন্দ খূদিংগী মাঙহল্লি। উপালনা মীওইবনা শীজিন্নরিবা ওক্সিজেন পীরি হায়বসি কাওথোকই। উপাল মাঙহনবদগী মখল কয়াগী কার্বোন্দাইওক্সাইদ পুথোক্তুনা নুংশিৎ মোৎশিলহল্লি।

ফিভম অসিদা মুৎকদৌরিবা মালেম অসি কন্ননবা পাক-শন্না উপাল থাবগী কেম্পেন তৌদবা য়ারক্ত্রে। মরম অসিদগী ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা জুন থাদা উপাল লাখ ৩০ থাননবা অকনবা কেম্পেন চঙশিনবগা লোয়ননা মালেম কন্নবা থবক পায়খৎকনি হায়না সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহী ৫০ রোম অসিদা সোতিনকুমারগী লমজিং মখাদা জুন ৫, ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে পালন তৌবগা লোয়ননা উমং শেমগৎপা, পাৎ কয়া য়োকখৎপা, উপাল-ৱাপাল থাবগী পাক-শন্না কেম্পেন কয়া তৌদুনা লাইরিক কয়া অমদি চেফোঙ কয়া পুথোকখ্রে। লৈঙাক্না মনা-মথুম কয়াসু পীখ্রে। ঙসিদি উপালনা পীরিবা ওক্সিজেন অসিগী তঙায় ফদবা কোভিদ লাইচৎ লাকপসিদা মীয়াম্না খঙনরক্লে হায়খি।

এম য়ুগী মহৈরোয়শিংদা মুসুনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা মে ২৯দগী হৌরগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না শিন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হোষ্টেলদা তঙাই ফদবদগী রিছর্সকী অমদি লৈকায়-লৈকায়দা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবদগী য়ূমদা হনবা য়াহৌদবা অমদি অতোপ্পা ষ্টেটকী য়ূমদা হনবা ফরক তাহৌদুনা লৈহৌরিবা মহৈরোয়শিং অমদি এম য়ুগী অনকপদা লৈবা রেন্টশিংদা লৈহৌরিবা এম য়ুগী মহৈরোয়শিংদা নোংমগী চংদ্রবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মুসুগী ভলন্টিয়রশিংনা লৈঙাক্না পীরিবা এস ও পি ঙাক্লা য়েন্থোকখ্রে হায়না মুসুগী জেনরেল সেক্রেটরি কাঙুজম নরেশকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) : মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ঈগী টেক্নিকেল এজেন্সি অমা ওইরিবা নিসার্গ ফাউন্দেসন ভোপালগী শেন্থং মখাদা প্রোগ্রেসিভ রুরেল দিভেলপমেন্ট এজেন্সিনা হৌজিক হৌজিক সফুর্টি স্কিমগী মখাদা ইমপ্লিমেন্ট তৌরিবা ৰুদ বেজ ফর্নিচর ক্লষ্টরগী বেনিফিসরি ২৫০ হেনবা আর্টিসিয়নশিংনা কোভিদ-১৯গী রিলিফ মেটরিএলশিং ওইনা চেঙ, চিনি, হৱাই, থুম, অচাথাও, কোবি, মাইরেল, আলুনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে হায়না প্রোগ্রেসিভ রুরেল দিভেলপমেন্ট এজেন্সিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং মনুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস) : লম্লাই এ সীগী শঞ্জেনবম খুল্লেনদা মীওই ১ অমদি কম্প্লোংহুৎতা মীওই অমা পোজিটিভ ওইরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ইমুং ৯ অমদি নোংপোক হৈরোকতা লংফৈ চৎলুবশিং য়ূমদা চঙদ্রিঙৈদা লোকেল টাস্ক ফোর্সনা ক্বারন্টিন তৌহল্লিবা মীওই ১২দা বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বরসু ওইরিবা কোভিদ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লম্লাই মন্দলগী চ্যেরমেন খোবান্তাবম ইবোমচানা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি য়েন্থোকখ্রিবা তেংবাং পোৎলমশিং অদুদি হৱায়, অচাথাউ, আলু, তিলহৌ, চিনি, থুম, সেনিটাইজরনচিংবনি। তেংবাং পীবগী থৌরম অদুদা লম্লাই কেন্দ্র কোভিদ এৱারনেস এন্দ ইনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন এ জামিনি, কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্সকী কনভিনর ই অমিতকুমার, তখেল শঞ্জেনবম জি পিগী প্রধান এম নিংথেমনচিংবসু শরুক য়াখি। লোয়ননা এ জামিনিগী মীৎয়েং মখাদা নুঙ্গাই মখা লৈকায় লিতান মখোং কম্যুনিটি হোলদা মাস টেষ্টিংসু পাঙথোকখি হায়রি।

পরম চুম্না চেঙ য়েনবীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নফসাগী খূত্থাংদা পীরিবা চেঙ পরম চুম্না য়েনবীয়ু হায়না ঙসি খাঙবোক এ সীগী মনুং চনবা খাঙবোক পার্ট থ্রী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৩/৭ অমদি ৩৫/৯গী বেনিফিসরিশিংনা তকশিনখ্রে। মসিগা মরী লৈননা রাইজিং য়ুনিয়ন ক্লব, পোপ্যুলর য়ুথ ক্লব অমদি থবাতোন সোসল ৱেলফ্যের ক্লবনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খাঙবোক পার্ট থ্রীদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা রাইজিং য়ুনিয়ন ক্লবকী ত্রেজরর মোইরাংথেম বিজেসনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা লায়রবা মুখৎনবগী পান্দমদা নফসাগী খূত্থাংদা এ এ ৱাইগী ওইনা চেঙ কেজি ৩৫ অদুগা পি ঐচ ঐচকী ওইনা বেনিফিসরি অমমমদা চেঙ কেজি ৫/৫ পীরক্লবসু খাঙবোক পার্ট থ্রী জি পিগী ওইনদি কার্দ পায়বা পায়দবা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা ভোটরদা ওইনা য়েংবগী থবক অসি তৌবীগনু। ঙসি জি পি অসিগী থা অনীগী চেঙ য়েনবদা ভোটর চনবশিংনা চেঙ কেজি ১০/১০ অদুগা ভোটর চন্দবশিংনা চেঙ কেজি ৫/৫ য়েনগনি হায়রকপদা ইমা ইবেলশিংনা চেঙ লৌদনা হল্লকখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী সী এ এফ এন্দ পি দিনসু বেনিফিসরিশিংখক্তদা চেঙ পীনবা ৱাফম থল্লিবনি। অদুবু মফম অসিদা অনৌবা চৎন কাঙলোন অমা চৎনরকপা অসি য়াবা ঙল্লোই।

কোভিদ-১৯ লাকশিন্ননবা লৈঙাক্না লৌখৎলিবা থৌশিলশিং অসিনা মরম ওইরগা ইনাক খুনবশিংসু ৱানরিবনি। অদুমকপু মখোয়গীদি থাগী তোলোপ ফংলিবনি। অদুবু লায়রবা নোংমগী শূরগা চাজরিবশিংদি চাউনা অৱাবা মায়োক্নরিবনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা পরম চুম্না চেঙ য়েলহনবীদুনা লায়রবা মীয়ামগী হকপু ইনাকখুনবা তোলোপ চাবশিংদা শীন্নবীগনু হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইমা ইবেলশিংনসু লায়রবশিংগী হক মৎপা য়ারোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

কারোং এ সীগী মীয়ামগীদমক হীদাক লাংথকশিং খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): মেনেজমেন্ট কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটি কারোং এ সীগী চ্যেরমেন ওইরিবা এম এল এ দি দি থাইসিনা ঙসি কারোং এ সীগী মীয়ামগীদমক হীদাক লাংথকশিং খূৎশিন্নখ্রে।

হীদাক লাংথকশিং অদু এম এল এ দি দি থাইসিগী মীৎয়েং মখাদা মেনেজমেন্ট কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটি কারোং এ সীগী কনভিনর পি পি রোনাল্ডনা পি ঐচ সী ওইনাম হিলগী এম ও ইন চার্জ ডা. হলাওমি হিপোলিটসতা খূৎশিন্নখিবনি। হীদাক লাংথকশিং খূৎশিন্নখিবা অদুদা সী এম ও সেনাপতি ডা. ফোক্রেহো অমদি কম্মিটি অসিগী মেম্বর আর কে কাবা এস থাইলি অমদি এদিসনেল এস পি থোলু রোকিসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা কারোং এ সীদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবগীদমক মেনেজমেন্ট কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটি কারোং এ সীনা টি এন কে, সেনাপতি ভিলেজদা লৈবা দাইট সেন্টরদা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমা হাংদোক্তুনা পোজিটিভ ওইরবশিংবু মফম অদুদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈহনবগী থবক চত্থরিবনি।

এম এস এফ কুম্বী ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মনুং চন্না লৈরিবা কুম্বী ব্রাঞ্চকী কুমজা ২০২০-২১গী ওইনা রিফোর্ম তৌদুনা নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না এম এস এফকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা নৌনা থৌ পুবশিং খনবগী থৌরম অদুদা এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি খাঙেম্বম তাঞ্জানিয়া অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি কোন্থৌজম রোমিওসু শরুক য়াখি।

এম এস এফকী থবক থৌরম কয়া মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা মহৈরোয় খুন্নাইগী অমদি লৈবাক মীয়ামগী থবক থৌরমশিং তৌবদা মঙম শান্না পাঙথোকপা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন্দা এম এস এফ কুম্বী ব্রাঞ্চ অসি রিফোর্ম তৌবনি।

ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মহৈরোয় অমদি হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিং খুন্নাই অসিদা অওনবা অহোংবা পুরক্নবা হোৎনবদা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদসু কূপ্না খন্নখি অমদি এম এস এফকী থবক থৌরমশিং মঙম শান্না পাঙথোক্লবা অচেৎপা ফিরেপসু লৌমিন্নখি।

এম এস এফ কুম্বী ব্রাঞ্চগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি খাইদেম বিন লাদেননা প্রসিদেন্ট, য়েনশেম্বম সুসিল কুমারনা ভাইস প্রসিদেন্ট, লুহেনবা ৱাহেংবমনা জেনরেল সেক্রেটরি, খাঙেম্বম রাজ মীতৈনা জোইন্ট সেক্রেটরি, ৱাহেংবম সদানন্দনা ফাইনান্স সেক্রেটরি, ৱাহেংবম পুৱাংমা মীতৈনা এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি, তনু হিজমনা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, কাংজম জোনসননা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, অমর খাইদেমনা পব্লিসিটি সেক্রেটরি, রোহিট মীতৈ ৱাহেংবমনা এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি, নিঙোম্বম মালেমশ্বরি চনুনা ৱিমেন এফ্যেরস সেক্রেটরিনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস): ঈ-পাউগী লম্দা মতম শাংনা থবক তৌরক্লবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈশামথোং মোইরাংথৌ লৈরক্তগী শগোলশেম হেমন্তনা হৌখিবা মেগী তাং ৩০গী অয়ূক্তা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি মরুপ-মপাংশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়রি।

কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অসিদা, লৈখিদ্রবা শগোলশেম হেমন্তনা হিংলিঙৈ মতমদা ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী টর্ম অনীরক প্রসিদেন্টকী ফম পুরম্বদা নত্তনা থা-থাগী ওইনা পুথোকপা চেফোঙ ‘ঐখোয়গী পন্থুং’ গী এদিটর ওইনা থবক তৌরম্মী। ইম্ফালদা নুংতিগী নুংথিলদা ফোঙবা পাউচে কয়াদা এদিটর ওইনা থবক তৌরম্মী অমসুং তোঙান তোঙানবা পাউচে কয়াদা পাউমী ওইনা থবক তৌরম্মী।

মহাক মরৈবাক মরমদম্বু নুংশিজবা, অচুম্বা, অশেংবা পাউ ফোঙবদা অকিবা লৈতবা, থৌনা লৈবা অচংবা লমদম অসিগী পাউমী অমনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি মতম চুপ্পগী ওইনা মেনখৎপা ঙমদনা লৈহৌরগদবা অৱাৎপা অমা ওইনা লৈহৌরগনি হায়রি।

রেলৱে ষ্টেসনগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

জিরিবাম, জুন ০১ (ঐচএনএস): জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী টিম অমনা ঙসি জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

মফম অদুদা লৈরিবা পোৎফম ফম্বী, থবক শূবা লাকপা অমদি দ্রাইভর ইচিন ইনাওশিংনা কোভিদপু কিদবগী মতৌগুম মাস্ক উপ্তুবা, এস ও পি ঙাক্তনা লৈবা থেংনরকখি হায়না জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এন সদানন্দ মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কোভিদ টাস্ক ফোর্স অমদি জে দি ওগা লোয়ননা মফম অসিদা লাক্লিবা মীওইশিং অমদি পুশিল্লক্লিবা চেঙশিং অসি করম্বা ফীভমদা লৈবগে হায়বদু য়েংশিনখিবনি। অদুবু রেলৱে প্লেটফোর্মদা লৈরিবা মীওইশিং অসি সোসল দিষ্টেন্সিং অমদি এস ও পি ঙাকপা উদে। মরম অসিনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (আই দব্লিয়ু দি য়ু সী ও) না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা কোয়না চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা পিতন্সরা হায় স্কুলদা হাংলিবা হোম আইসোলেসন সেন্টর অমদি আয়ুস হোস্পিটালদা চত্থরিবা ভেক্সিনেসন কাপথোকপগী থবক থৌরমশিংদা অৱাৎ অপা কয়া লৈবা থেংনরে। হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না আই দব্লিয়ু দি য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট খাইদেম হেরামনি খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অৱাৎ অপাশিং অসি খরদং ওইরবসু লৈঙাক্না মতেং পাংবীদুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবীয়ু। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু ঙাকথোকপা ঙম্নবা কোভিদ টেষ্টিং পাক শন্না তৌথোকপীয়ু অমদি কোঞ্জেং লৈকায়গী আয়ুস হোস্পিটাল অসিদা চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী ভেক্সিনগী অৱাৎপা লৈহৌরিবা অসি অথুবা মতমদা ফংহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অমদি আইসোলেসন তৌরিবা ইমুংশিংদা তেংবাঙখ্রে

থৌবাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) : থৌবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা থৌবাল এসেমব্লি য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিনসু অচৌবা মতেং পাংদুনা লাক্লি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা ইমুংশিং অমদি আইসোলেসন তৌরিবা ইমুংশিংদসু লেপ্তুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা লাক্লি। লোয়ননা মখা তানসু য়েন্থোকখিগনি।

ঙসিসু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা দি সী থৌবালগী মখাদা শেমখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী টাস্ক ফোর্স ১৩দা ফেস মাস্ক, সেনিটাইজর কয়া য়েন্থোকখি। লোয়ননা ক্লবতা অহিং য়ারেক্তুনা লৈরিবা টাস্ক ফোর্সশিংদসু চেঙ অমদি চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি।

য়ুথ কোংগ্রেসনা লুরবা কোভিদ-১৯গী মতম অসিদা লৌরিবা থৌদাং অসিদা টাস্ক ফোর্সশিংনা অমদি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়াম্না থাগৎনরক্লি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা ময়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদা পাংবা য়াবা মতেং লেপ্তুনা পাংখিগনি হায়না থৌবাল এসেমব্লি য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম রোবার্থনা ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG

Vide Mut. Case No. 29/SDC/L dt. 29/05/2021
Miss Taslima W/o Ali Hassan of Moijing Awang Leikai.
-Vs-
Late Abdul Manal S/o Late Chamu Mia of Moijing.

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / **NOTICE**
29-5-2021

Under Section-46(3) MLR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুন নং ১০ মোইজিং পাট্টা নং ৬৪৭ অনৌবা দাগ নং ২৪০৯ লৈরিবা এরিয়া .৩৫০০ হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী মপূ পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতগী মচানুপানা মপাগী মিংদা লৈবা লম অসি খুনগী মনাওনুপী অসিদা পীরে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসি পীবা য়োনবা য়ারোই হায়না অপতি তৌনিংবা লৈরবদি মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈ, মচাশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। কোর্টনা পীরিবা তাং অসিগী ৱাংমদা লাকপা ৱাকৎ ওবজেক্সন অমত্তা কোর্টনা লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস অসি মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Lilong

HL-P/9794/02

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref. Mut. Case No. 30/SDC/LIL
Md. Abdul Aziz S/o Late Siraj Ahamd of Thoubal Moijing Wangmataba.
-Applicant.
-Vs-
Md. Siraj Ahamd S/o Late Ibomcha Miya of Moijing Wangmataba.
-Opposite Party

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / **NOTICE**
29-5-2021

Under Section-46(3) MLR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুন নং ১০ মোইজিং Patta No. 10/298 (Old) 592 (N) dag No. 2124 নং দাগ অসিগী Area 0.27000 Hectares of Phourel Class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদার অসিগী মহুৎতা মহাক্না পোকচবা মচানুপা এপ্লিকান্ট ওইরিবা অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ তরেৎ (৭)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং তারকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Lilong, Thoubal District, Manipur

HL-P/9794/02

ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ/শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম:

পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বী ঁসলাম রোমা দেবী-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং, শাগৈ-নাতৈ অমদি ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ৩০/০৫/২০২১ ইং, কালেনগী ২০নি পানবা নোংমাইজিং নুমীত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওন্দুনা রঙ্গ দেবী শ্রীমতি রাধিকা দাসী হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৪/০৬/২০২১ ইং, কালেনগী ২৫নি পানবা ইরাই নুমীৎতা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১২/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী ২নি পানবা থাংজ নুমীৎতা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী অত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং হরি সঙ্কীত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র প্রভুগী চরন্দা কৎচগদৌরি।

মালেমগী শাথীরবা কোভিদ লায়নানা মরম ওইদুনা থৌরম অসি ইমুং-মনুংখক্তগী ওইনা পাঙথোকচগনি। লোয়ননা থৌরম অসি অয়ূক পুং ১১ তাবদা লোইশিঞ্জগনি। খ্বাই পুন্নমক্না ৱারৌবীদনবা পাউচেগী থোঙদা হায়জরি।

বিনিতগন : সলাম শামুঙৌ সিংহ (মপুরোয়বা) অমদি ইমুং-মনুং
হাওবম মরক কাংজম লৈকায়, ইম্ফাল

HL/P-6796/02

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA

Vide Mut. Case No. 49/SDC/LCh 29-5-2021
1. Md. Raosan Ali S/o Late Soukat Ali of Heibong Makhong.
2. Md. Najir Ahamad S/o (L) -do- of -do-
-Vs-
Late Mv. Ajijur Rahman S/o Late Melei of Heibong Makhong.

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯗꯕ / **NOTICE**
Dated : 29-05-2021

Under Section-46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুন নং ৪ মাইবম কোঞ্জিন পাট্টা নং ৪/৩৩০ দাগ নং ১০৩৬কী লৈরিবা এরিয়া ১.১৭৭০ হেক্টর চাওবা তাওথবী লৌফম অসি মপুথৌ পাট্টা অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা এপ্লিকান্ট ওইরিবশিং অসিবু পোকপা, মপা পোকপা মপুথৌ মৃত ওইখ্রে। হায়বদি এপ্লিকান্ট ২গী মপাসু মৃত ওইখ্রে, মপুথৌ পাট্টাদার অসিসু শিখ্রে। মরম অদুনা মপা মপুগী মিংদা লৈরিবা লম অসিবু মশুনুপা ২গী মিংদা পাট্টা নামা ওন্থোকচরগে হায়না এস দি সী ইরোং ওফিসতা এপ্লিকান্ট তৌরক্লে। মরম অদুনা পাট্টাদার অসিগী মরী-মতাশিং, মচে-মনেম, শাগৈ-নাতৈশিং নামা ওনবদা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা অইবা ওইবা ওবজেক্সন তৌনবা খঙহঞ্জরি। অপীবা তাং অসিগী ৱাংমদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্টনা লৌজরোই হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Irong Chesaba

HL-P/9794/02